ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯃꯦ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯴꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মে ১০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৪৪শুবা মশীং

# থোং মান্ননা চেকশিনগদবনি

## কোমথোকপা, অহোবা লৈহনবা চুন্লোই

হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফীভমসি নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) গী অহানবা লাইচৎ মপূং ফানা ইরাদিকেট তৌবা ঙমহৌদ্রিঙৈগী চৈরক্তা তমথীরবা লায়নাসিগী অনীশুবা চৈথেং অমুক মায়োক্নরকপনি। মসিগী মথক্তা লায়নাসিগী মপাঙ্গল অহানবদগী অনীশুবা মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা হেন্নসু কনশিল্লকই হায়বনি। মাইল্ড সিম্পটোমশিং ফাওবা হান্না মায়োক্নহল্লকপগী মহুত্তা অনীশুবা ৱেভ অসিগী লাংদবু থুরবদি পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংদু য়ারিবমখৈ অশিবগী খায়াৎতা তাহন্নবা হোৎনরকই হায়বনি। অদুনা অকনবা অনীশুবা ৱেভকী শাফুসিনা য়ৈবদা লায়নাসিদা পোজিটিভ ওইহনবগী মশীং ৩০০/৩০০ য়ৌশিল্লক্তুনা, করিগুম্বা নুমিৎতনা ৪০০গী মথক লানখৎহল্লক্তুনা নোংমত্তদা মীওই ৬০০ য়ৌনা পোজিটিভ ওইহল্লকপা য়াওরক্লে। মসিনা মরম ওইরদুনা মে ৮, ২০২১ ফাওবদা মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ৩৪,৭৭৫ য়ৌহল্লকখ্রে। লায়নাসিদা পোজিটিভ ওইহনবদগী লায়েংলবসু কনবা ঙমহৌদনা শিহনখিবা অপূনবা মীশিংনা হায়রিবা নুমিৎসি ফাওবদা মীওই ৪৬১ শুহনখ্রে। শিবগী চাংসিসু নোংমদা ২, ৪, ৫ খক্তমক শিরম্বদগী ১০গী মথক্তা তোয়না লানখৎলকপা য়াওশিল্লকপদগী মসিগী মশীংসি ঈশিং ঈচাওদৌনা অকিবগী মশক ফংলক্লিবনি। মে ৮, ২০২১ ফাওবদা এক্টিভ ওইরবা কেস মশীংনা ৩,৮৫১ য়ৌহল্লকখ্রবনি। মরম পূন্নমকশিং অসিদগী হান্না কোভিদ ক্যের সেন্টর (সী সী সী) ওইনা শীজিন্নরম্বা মফমশিং নৌহৌননা রিএক্টিভেট তৌরে। অহেনবা, অনৌবা সী সী সীশিংসু হাঙদোক্তুনা সেন্টরশিং অসিগী ফমুং মশীংসু হেঙ্গৎহল্লক্লে। গভর্ণমেন্ট অমসুং ওথোরাইজ প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদসু কোভিদ ৱার্দশিং হেন্না পাকথোক চাউথোকহল্লে। অনা লায়েংবদা তঙাইফদনা চঙবা ইক্বিপমেন্ট, হীদাক-লাংথক অমসুং লায়নাসিগী পেসেন্টশিংদা পীগদবা হেল্থ ফেসিলিটি/ সর্ভিসকী থবকশিংসু হান্নদগী হেন্না ফগৎহল্লে। তঙাইফদনা চঙবা ভেন্টিলেটর (ওক্সিজেন) ফাউবা মসিগী অৱাৎ-অপা মায়োক্নরক্তনবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জে নিমস) তা ওক্সিজেন প্লান্ট ইন্সটোল তৌদুনা ওক্সিজেন জেনরেসনগী থবক হৌরে। অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদসু ওক্সিজেন প্লান্টশিং থম্নবা থবকশিংসু লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। মসি পূন্নমক অসিগী মথক্তা লায়নাসিগী কম্যুনিতি ত্রান্সমিসন থিংনবগীদমক হান্নদগী চৎনহল্লক্লিবা তঙাইফদবা এস ও পিশিং ঙাকপদা হেন্না মশক থোকহন্নবগীদমক ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (আই এম সী) না কোনবা মফমশিং য়াওনা মী খ্বাইদগী য়াম্না তিনবা/পূনবা গ্রেটর ইম্ফাল অপূম্বা কন্টেনমেন্ট জোনগী অথিংবনা পুল্লপ কুপশিন্দুনা থল্লি। মসিগী মথক্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়াওনা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ৭তনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লে। চীং অমসুং তমগী মফম অমদগী পোজিটিভ কেসপু থেংনরবদি মফমদু কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্তুনা লৌখৎফম থোকপা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি। মসি পূন্নমক ষ্টেটসিগী মীয়াম্বু মীওইবগী পুন্সি মাঙহনবা ঙল্লিবা অদুগা হৌজিক ফাওবদা লায়নাসিবু মপূং ফানা কিওর তৌহনবা ঙম্বা হীদাক পুথোরকপা ঙমদ্রিবা ফীভমশিং অসিদগী তঙাইফদনা লৌখৎতবা/পায়খৎতবা য়ারক্তবদগী লৌখৎলক্লিবা চেকশিন-থৌরাংনি। মসিগীদমক্তা মশাগী চহী ৪৫ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈরবা মীওইশিংদসু হীদাক কাপথোক্নবা অকনবা থৌরাংশিং লৌখৎলক্লি। মসিগী মথক্তা চহী ১৮দগী ৪৪ ফাওবগী মরক্তা লৈবা মীওইশিংদসু হীদাক কাপথোক্নবা অকনবা থৌরাংশিং লৌখৎলক্লি। হৌজিক ফাওবদা চহী কাঙলূপসিগী মনুংদা লৈরবা মীওইশিংবু ভেক্সিনেসন তৌনবগীদমক ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসনগী থবকশিং কন্না চংথরি।

অদুবু গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী, মসিগী মরী লৈনবা মেদিকেল এন্দ হেল্থ সর্ভিসেসকী মায়কৈদগী, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং পুলিস দিপার্টমেন্ট ফাওবনা মাঙজিল থানা চোংথোরক্তুনা লায়নাসিদগী মীয়াম্বু কলহৌনবগীদমক অরৈবা পান্বে পুথোক্তুনা হোৎনরক্লি। অদুম ওইনমক লৈঙাক্কী মখল কয়াগী অথিংবশিং, চেকশিন-থৌরাংশিং অসিবু উৎতা ঘি হৈবগী ফীভমদা গ্রেটর ইম্ফালদগী খরা হাইদোকখিবা খুঙ্গংগী মফমশিং অমসুং চীংগী মফম খরদা লৈঙাক্লা মরোল মরোল নাইনা থল্লক্লিবা অথিংবসিনা কোনশিন্দবা মানবা থৌওংদা লম্বীগী চিদাইদা মহৌশাগুম অদুম্মক এঙ্খাং-নাপি অমদি ঙানচিংবা য়োনবগী থবকশিং করিসু নাচুংদনা চংথরকপা, পব্লিক ত্রান্সপোর্টকী মনুং চল্লিবা ওটো-রিক্সোনচিংবদা পেসেঞ্জরশিং ঙানম-নমদুনা পুবগী থৌওংশিং লেপ্তুনা চংথরকপসিদি চুন্লোই। মসিনা লায়না লাইচৎসিগী মতাংদা হেন্না শাথীবা ফীভমশিং মায়োক্নহল্লক্কনি। পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং হেন্না য়ামখৎলক্তুনা মী শিহনবগী মশীংসু য়ামখৎহল্লক্কনি। হায়রিবা থল্লিবা অথিংবশিং থরেক-থরেক্লদুনা ইকোম-কোমথোকপগী থৌদৌসি ময়ায় লম্বী হায়রগসু খঙনরিবা ইম্ফাল-ময়াং-ইম্ফাল লম্বীগী মফম খরদা হৌজিকসু থোক্লি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী রেভিন্যু জুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসন অমসুং ময়াং-ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কোল্লিবা ময়ায় লম্বী পরিংগী নাক য়েৎতা মহৌশা-মহৌশাগুম পোৎফম ফম্বীশিং থোরক্তুনা কৈথেল ওইনা ফল্লি। লম্বী চিদাইগী কৈথেলসি ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগীনা পাওবিতেক পাঙল খুলগী খুনজিন্দা ফম্বনি। অদুগা ময়াং-ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগীনা পাওবিতেক্তা তাইনরিবা খাময়েনবী লমহাংগী শরুক্তা চংথবা থৌওংনি। অসিগুম্বা থৌওং অসিদি মখা তানা চংথহনবা চুমদে। মফমশিং অসিদা মনা-মশিং অমদি ঙা-চাক য়োল্লিবা/ য়োল্লিবীশিং অসিবুদি মখোয়গী হিংনবগীদমক হোৎনজবা থবকনি হায়রক্কনি। মখোয়না য়োল্লিবা পোৎলমশিংদুসু লৈবা ফংদ্রবা মীয়ামগী মতেং পাংনবনি হায়রক্কনি। মখোয়গী ৱাফমসিসু অরানবদি নত্তে। অদুবু কর্ফিয়ু মনুংদা, কন্টেনমেন্ট জোনগী অথিংবশিংগী মরক্তা চৎথোক-চৎশিন তৌবা কোমথোক্তুনা য়াহনবদগী চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংসি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদ্রবা নৎত্রগা ওইররোইদৌবা ফ্রন্টনলাইন্দা মথৌ পাঙথোক্লিবা ঙাক্তা খন্দোক্লগা অয়াবা পীবা নত্তে। মখোয়গী মরক্তগীসু লায়নাসিগী লাংদা থুরকপা য়াওশিল্লক্লবা অদুগা পোৎফম ফল্লিবা/ফল্লিবীশিংগী মরক্তগীসু খুদোংথীবসি মায়োক্লবা য়াওরম্লগদি পোৎ চৈ লৈরবা অমসুং য়োল্লিবশিং অসিগী মরক্তা করি ওইরকপা য়াবগে? মসিমক্লা পূন্নমক শুপচিল্লগা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লক্লিবনি হায়বসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পিনা ৱাঙ্গোই অমসুং ময়াং-ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর-ইন-চার্জশিংগী মমিৎতা খুদোম্বী থিল্লগা তাকপীবা, মখোয়বু ৱাখল তাহনবগী থবক লৌখৎহন্নীংই। লায়না লাইচৎসিগী মায়োক্তা অকক্লবা মফম খরখক্তমক চেকশিল্লগা খরদনা কৈবুই কৈওইবগী উতোং অহোবগী ফীভমদৌনা থোকহনবা য়াবা নত্তে। কাংপোকপী, উখ্রুল, নোনে য়াওনা নিংথৌখোং অমদি নম্বোলনচিংবা মফমদদি মফমশিং অদুগী মীয়াম/মীয়ামগী লূপশিং থোরক্তুনা টোটেল লোকদাউনগী খোঙজং ফাওবা চঙশিল্লক্লবনি কাউহন্নীংদে।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৭**

১) ‘‘মণিপুরী লোকসাহিত্য’’ হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

২) ‘‘পুনুং ঈশম ফোয়না/চামলৌ লাচেন্নরুসি হায়রবদা/হাইনু তেরা লৌথিবী/ শাইগং পোলিবী য়েন্নখাপাউতাবীনা/খোয়নৌ ইতা ও/খোইনাইওম্বা চনু ও/থোংনাং ময়াং চীং,/ময়াং কপনীং চীং,/লিন্দু য়াঙতেক চীং,/কৈরাউ খাদা পানবা/চামলৌ লাবু কদৌনশিংগে?’’ শৈরেং মতেক অসি করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৩) ‘‘নোংখোঙ তম্না’’ হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) ‘‘হল্লকখিগনি অমুক তোর্ব্বানসিদা’’ হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করিদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫) ‘‘ইমানা শিরমদাইদা/শিন্নরম্বা বোম অমা/শেন্নরি ঐনা কন্না/কনা খঙদনবা,/কনা উদনবা।’’ শৈরেং মতেকে অসি কনানা ইবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ পোখোকশিংগী কাঙলোন চুম্বা কৈথেলনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি

এস সুমঙ্গল

মণিপুরগী লৌউ পোখোক্কী ওইনা নৈনদুনা য়েংসি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মতেংগা লোয়ননা ঙসি মণিপুরদা লৌউ-শিংউ চাওখৎনবা, পোথোক-চাথোক হেনগৎনবা, স্কিম কয়াগী মখাদা অচৌবা প্রোজেক্ট কয়া অমা লৌথদুনা/পীথরক্তুনা লৌমী ইচিন-ইনাও কয়াগী য়াইফনবা মায়কৈ কয়াদগী হোৎনরি। অমরোমদনা অমুক সেন্ত্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা এগ্রিকলচরেল কোলেজ লীংদুনা, আই সী এ আরগী সেন্টর হাংদুনা অমদি মসিগী মখাদা কে ভি কেশিং দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী থমদুনা অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচরগী, দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর এন্দ কো-ওপরেসন এন্দ ফার্মরস’ ৱেলফেয়রগী মখাদা এ টি এম এ ইন্সটিট্যুট কয়া লীংদুনা অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া অমা চাংয়েং তৌদুনা অমদি টেক্নোলোজি কয়া অদুবু শান্দোক্তুনা লৌউ-শিংউ চাওখৎনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। হায়রিবশিং অসিগী মথক্তা মরী লৈনবা সেন্টরশিং অসিদা অমদি মণিপুরগী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা পাম্বীশিংগী অনৌবা ভেরাইটি কয়া পুথোক্তুনা অমসুং মপান্দগী অনৌবা ভেরাইটি কয়া অমসু পুশিল্লক্তুনা পোথোক হেনগৎনবা হোৎনবা লেপ্পা লৈতে। মসিগী কান্নবা ফংদে হায়বসু য়াদে। অদুম ওইনমক মসিদগী লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী হেন্না কান্নবা ফংগদবা অমসুং লৌউ পোখোকশিংবু লৈদুনা শীজিন্নরিবা মীওই খুদিংমক্কীসু হেন্না কান্নবা ফংহনগদবা মওংদা শিনবা অদুমক্তি য়ৌদ্রিবরা হায়বগী ৱাহং কয়া অমদি লৈতবা নত্তে। মরু ওইনা হায়জরবদা লৌউ পোখোকশিং অসিগী মওং চুম্বা, মওং চুম্বা কৈথেল লৈতবা অসিনা হায়রিবা কান্নবশিং অসি মপূং ফানা ফংবা ঙমদবনি হায়বা ৱাফম অসি নৈনবা য়াবা ৱাফম অমনি হায়নরি। লৌউ পোখোকশিং পুথোকপদা চঙখিবা শেলগা পোখোকশিং অদুবু য়োনবদা ফংলিবা শেলগা য়েংনরুবদা পোখোক ফনা নিংথিনা পুথোক্লবসু শেন্দোং মতিক চানা ফংবা ঙমদবা মতাং তোয়না থেংনরি। মসিনা লৌউ-শিংউ তৌজরিবা কয়াগী মফমদদি নীংবা য়াম্না কায়নীংঙাই ওইহল্লি। শেন্দোং ফংবা ঙমদবগী মরু ওইবা মরম খরা পনবা তারগদি অসুম্না থম্বা য়াই।

১) থবক শূবা শিন্মী ফংদবগী অৱাবা।

২) খূৎশুমল কন্ত্রোল তৌদবনা খূৎশুমল ৱাংবা।

৩) শীজিন্নরিবা মেছিনরিশিং - ত্রেক্টর, পৱার তিল্লর, রিপর, থ্রেশরনচিংবগী অৱাইমল চাং চাদনা কা হেন্না ৱাংবা।

৪) হার মতম চানা অমদি চপ চাবা মমলদা ফংদবা।

৫) পুথোল্লিবা পোখোকশিং চাং মান্নদবা হায়বদি মখল অমত্তংগী/খরদংগী পোখোক্লা কা হেন্না মতম অমত্তদা পুথোকপা।

৬) পুথোল্লিবা পোখোকশিং অসি পেরিশেবল হায়বদি মতম শাংনা লীদুনা থম্বা য়াদবনা য়াম্বা ওইবনা অরৈবশিংনা খুদোংচাবা লৌবা।

৭) পোখোকশিং লীদুনা থম্নবা কোল্ড ষ্টোরেজগী খুদোংচাবা লৈতবা।

৮) মতম শাংনা লীদুনা থম্বা য়াবা পোৎলমশিংসু কাঙলোন চুম্না প্রোসেসিং, গ্রেদিং অমদি ষ্টোরেজগী কাঙলোন চুমদবা।

৯) কাঙলোন চুম্বা কৈথেল লৈতবনা পোৎকী মমল চানা লেপ্তুবা।

১০) পোৎয়োনফম কৈথেল লৌমীশিংগী ওইনা তোঙান্না লৈতবা।

১১) মথক্তা থমজরিবা খুদোং চাদবশিং অসিগী মরম খরনা লল্লোনবী/খূথাং চাবী/ফৌমাই চাবী (মিদলমেনশিংনা) খুদোংচাবা হেন্না লৌবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

মওং চাদ্রবা লৌউ পোখোক্কী কৈথেল - মথক্তা থমজরিবশিং অসি নত্তবা অতোপ্পা মরম কয়া অমসু লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা থেংনরম্বা য়াবগী ওইথোকপসু লৈ।

হায়রিবা খুদোংচাদবশিং অসিদগী খরমখৈ কোক্নবা মায়কৈ কয়াদগী চঙশিনমিন্নবা চঙই। মরু ওইনা লৈঙাক্কী মীৎয়েং, পোলিসি/প্রোগ্রাম শেম্বীরিবশিংগী হৈশিংবা থৌশিল, পোলিসিদুবু পাঙথোক্কদবা মীওইশিংগী পুকচেল শেংবা থৌশিল, লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী হৈশিংবা লৌউ মওং, অরৈবা মীওইশিংগী তেংবাঙ অসিনচিংবা পনবা য়াই।

**অতোপ্পা ইনাক খুনবা অচৌবা ষ্টেটশিংগী কাঙলোন চুম্বা লৌউ পোখোকশিংগী কৈথেলগী মওং লৌদুনা ঐখোয়গী লমদমদসু হোৎনবা কান্নগনি খল্লি। লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা হোৎনবা য়াবা থৌরমশিংগী ওইনা** -

১) মাগী মাগী লমদমগী/লৌফমশিংগী চৎনরিবা চান্নবা লৌউ মওংদা (চান্নবা ক্রোপিং সিষ্টম/ পেট্টর্ন) মায় ওনশিনবা, হায়বগী ৱাহন্থোক্তি খুদম ওইনা মফম খরদা খামেন অশিনবা থাবদা শেল য়াম্না ফংনরে হায়বা তাবদগী মায়কৈ খুদিংমক্তা হায়বদি মণিপুরগী লৌ উনরিবা মফম অয়াম্বদা খামেন অশিনবা থাবদা পক্লে-পক্লদে খঙদনা থানবা হোৎনরবদি করম্না মায় পাক্কনি। করিগুম্বা মায় পাক্লা পুথোক্লগনা অমুক্তদা মায়কৈ খুদিংমক্তগী পুথোরক্লিবশিং কদায়দা য়োনগনি? হান্ননা মার্কেট চেনেল শেমহৌবগী তঙাইফদবা লৈতত্রা?

২) মসিগা লোয়ননা লৌউ পথাপ কয়া সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা চঙশিনবা। খুদম ওইনা - অফবা পাম্বী মখলগী অফবা মরু শীজিন্নবগী হৈনবী থম্বা, হার হাপ্পগী মতম, চাং অমদি হাপ্পগী মওং চুমহনবা, লায়না তীলনা কাঙলোন চুম্না মতম চানা ঙাকথোকপা, ঈশিং মতম চানা চাং চানা চনবা, লোকপগী মতম চাহনবা, য়োন্নবা পোৎলম কাঙলোন চুম্না শেম শাবা (গ্রেদিং এন্দ প্রোসেসিং) অসিনচিংবা পনবা য়াই।



মওং চাদ্রবা লৌউ পোখোক্কী কৈথেল

৩) মতম নত্তবদা পুথোকপা য়াবা মখলশিং খঙদোক্তুনা পুথোক্নবা হোৎনবা।

৪) ইশাগী লৈজরিবা লম খরা অদু মখল মথেলগী পোলমশিং থানবা হোৎনবা (ক্রোপ দাইভরসিফিকেসন/ইন্টেনসিফিকেসন/ইন্টরক্রোপিং/রোটেসন)। হায়বদি পোৎলম অমত্তমক থাবগী মহুত্তা মতমদুদা চানবা মখলশিং তোঙান তোঙান্না নৎত্রগা পূন্না কাঙলোন চুম্না থামিন্নবগী হৈনবী লৈনবা হোৎনবা।

৫) কৈথেলগী ঈরাং নিংথিনা খঙনবা হোৎনবা।

৬) অনৌ অনৌবা ৱাখল্লোন- খুদম ওইনা পুনশিন কাঙলোন কয়া হায়বদি ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট, ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টম, ইন্টিগ্রেটেদ পেষ্ট মেনেজমেন্ট হায়বনচিংবা কয়া অসি মওং চুম্না শীজিন্নদুনা তুং কোয়বা লৌউ ওইহনবগা লোয়ননা শেন্দোং নিংথিনা ফংনবা হোৎনবা তঙাইফদে।

৭) থবক অমা পায়খৎপদা থৱায় য়াওনা, মায়পুননা, পান্দম অমগা লোয়ননা শোয়দনবা চেকশিন্না হোৎনবনা মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পান্বেনি খঙবীবা। হায়বদি নতিক্লি নরাইনি হায়না মহাদেব লৌউ হায়নবদু তৌবীদবা হায়জবনি। মরমদি মদুনা অতোপ্পা থৱায় য়াওবশিংসু অমাঙবা হায়বদু ওইরকপা য়াই।

থমজরিবা খরা অসি লৌবীরবদি খরা মখৈদি কৈথেলদা পোৎ তাওথোকপমখৈ হোঙবদগী ইচিন ইনাওশিংনা মরক মরক্তা নীংহন্নবা পোল্লিবা অদুদগী খরা মখৈদি কনবা ঙম্বা য়াই। মীকূপ নাহুম শীংনা ঐ ঐনা তৌরিবা শিনফমদা পূক্নিং হকচাং অনীমক য়াওনা হোৎনবা চঙই।

**লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎপীবা য়াবা থৌরম খরা পঙ্গবা তারবদি** -

১) মফম চাবা সেন্টরশিং য়েংদুনা মফম কয়াদা লৌমীশিংতগী ওইবা কৈথেল শাবীবা। মসি হোল সেল নৎত্রগা ৱীকলি মার্কেট ওইবা য়াই।

২) অশেংবা লৌমীশিং মশক খঙদোক্তুনা মখোয়দা পোৎফমগী লাইসেন্সশিং ফংহনবা।

৩) মিদলমেনশিংনা তুহৎপীবদগী ঙাকথোক্নবা পান্বেশিং থম্বীবা।

৪) লৌমী মশাদগী হকথেংননা শীজিন্নগদবা মীওইশিংনা/কষ্টমরশিংনা পোৎ লৈবা ঙম্নবা থৌশিল শেম্বীবা। হায়বদি লৌমীশিংগীদমক হোল সেলদা পোৎ থাফম/য়োনফম হোল সেল মার্কেট মতিক চানা থম্বীবা।

৫) য়োনবদা লোইহৌদবা পোৎলমশিং মতম খরা লীদুনা থম্নবা কোল্ড ষ্টোরেজশিং মফম চানা চানা থম্বীবা অমসুং অতাবা মমলদা মদুবু শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফংহনবা।

৬) কৈথেলদা পোৎলমশিং পুরক্নবা ত্রান্সপোর্ট সবসিদিগী থৌশিল শেম্বীবা।

৭) পোৎ চৈগী মমল মরম চানা অরৈবা অমসুংঅয়োনবা অনীমক্কী কান্নগদবা মওংদা লেপ্পীবা।

৮) মপানগী অচৌবা কৈথেলগী শাফু হন্থহন্নবা হোৎনবীবা।

৯) মতম মতমগী ওইবা চানবা পোৎকী মমল পীবা, দিজিটেল দিসপ্লে বোর্দ খিনবা অমদি অতৈ অতৈ।

**পূম্নমকশিং অসিগী মথক্তা অতোপ্পা লৈঙাক্লা শীনবীবা য়াবশিং পনবা তারগদি**-

১) লৌমীগী শেন্থং পীরিবা কিষান ক্রেদিট কার্দকী কান্নবা লৌরিবশিং, তশেংনা ফংবা য়াবা মীওইনা ফংননবা থৌশিল শেম্বা।

২) হার মতম চানা চপ চাবা মমলদা ফংহন্নবা পুকচেল শেংনা হোৎনবীবা।

৩) ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মতেংগা লোয়ননা পায়খৎলিবা থৌরমশিং অশেংবা লৌমীশিংদা চপ চানা, অৱাবা খুদোংচাগদবা কয়া মায়োক্নহনবা তৌদনা, ফংফম থোকপা লৌমীশিংদা চপ চানা ফংহন্নবা শীনবীবা।

হায়রিবশিং অসি নত্তবা পায়খৎপা য়াবা থৌরম কয়া অমনি। মখোয়অদু থমখ্রগা থমজরিবা ৱাফম খরা অসি খরদা ওইরবসু পাঙথোকমিন্নরবদি লৌমীশিংগীতা নত্তনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি খল্লি। লৌমীনা ঐখোয়গী থৱায় ওইরিবা চিঙ্গাক পীবিরিবনি হায়বসি ঐখোয়না কাউদবা ফৈ। ●

# অপাতানিগী মীওইশিংনা পাঙথোকপা লৌগা ঙাগা য়োকমিন্নবা

ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ



অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা মৈহৌরোলদগী চংথদুনা লাক্লিবা মহৌশাগী খল কায়হন্দবা মওংদা ঙা য়োকপগী থৌওং অমনি।

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়া অসি ফুরুপ কয়ানা পূন্না খুন্দামিন্নবা মফম অমনি। মফম অসিদা লৈরিবা ষ্টেট খুদিংমক মশা মশাগী ওইবা চৎনবী অমদি সংস্কৃতি লৈজৈ। হায়রিবা মফম অসিদা লৈঙাক্কী ওইবা ষ্টেট নিপাল লৈ। হায়রিবা ষ্টেটশিং অদুদি অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মণিপুর, মিজোরাম, নাগালেন্দ, মেঘলয়া, ত্রিপুরা অমদি সিক্কিমনি। লমদমশিং অসিদা চহী চূপ্পা নোং চুই। তৌইগুম্বসুং নোং চুবগী চাং অসি মে থাদগী সেপ্টেম্বর থা ফাওবদা খরা হেন্না চুই। নোং চুবগী চাংনা মিলিলিটর ২০০০দগী ৪০০০ ফাওবনি। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং চীংগী লম অয়াম্বা ওইবা মরম্না য়ামখ্রবা নোংগী ঈশিং অয়াম্বা অরেম্বদা চেন্থখিদুনা লৈবাক লৈহাও চেন্থখিবদা মতেং পাংলি।

চেন্থখিগদৌরিবা ঈশিংবু মফম চানা তুংহন্দুনা থম্বা হায়বসি মহৌশাদগী পাঙথোক্রদুনা লাক্লিবা থৌওংনি। অসুম্না ঈশিং হার্বেষ্ট তৌবা অসিনা ঈশিং ঈচাও থোকহন্দবা, লৈবাক লৈহাও চেন্থদুনা মাঙহন্দবা, পাম্বী কয়া থাবদা দরকার ওইবা ঈশিং পীবদা নত্তনা শা-ঙা কয়া অমদি মীওই কয়াগী দরকার ওইবা ঈশিং পীবা ঙমহল্লি। লমদম অসিদা মহৌশাদগী হৌনা ঈশিং অমদি লৈবাক লৈহাও মাঙহন্দবা থৌওং কয়া চংথদুনা লাক্লি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদগী অমত্তং থমজগে।

**অপাতানি সিষ্টম ওফ ফার্মিং :**- হায়রিবা থৌওং অসিদা পোৎশক কয়ামরুম হায়বদি লৈবাক, ঈশিং অমদি লৌউ-পথাপ পূন্না পুনশিন্দুনা লৈবাক লৈহাও মাঙহনদনা অমদি ঈশিংবু ঙা য়োকপা অমদি লৌ উবা পূন্না পাঙথোকমিন্নবা থৌওংদা শীজিন্নৈ। হায়রিবা থৌওং অসি অরুনাচল প্রদেশতা পাঙথোকপা থৌওং অমনি। থৌওং অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা মরমদি চীংগী লম ওইবনা লৌউ-শিংউবা অমদি ঙা য়োকপদা খুদোংচাবা মফম য়াম্না লৈতবা। হায়রিবা মরম অসিনা মরু ওইবা মরম ওইরগা লৈজরিবা মফম খরা অদুদা চানবা মওংদা পাঙথোকপা য়াবা থৌওং পুথোরকপনি। হায়রিবা থৌওং অসিদা চীংদগী চেন্থরকপা ঈশিংশিং চীংখোঙদা তুংশিলহন্দুনা থম্লগা নালা মথং মথং শেমলক্তুনা লৌ উবা (লৌ মরক্তা ঙা য়োকপা) নচিংবা থৌওংশিংদা মথং-মথং শীজিন্নবা য়াহল্লি। লৌফম অমদগী অহেনবা ঈশিং অদু ইনলেট/আউটলেটশিংদা চেন্থহন্দুনা ঈশিংগী চাং অকক্নবা লেভেল অমদা লৈহল্লি।

হায়রিবা থৌওং অসিদা লৌ উবা অসি ফেব্রুৱারী থাদগী মার্চ থা ফাওবগী মনুংদা হৌই। লৌহোন শেম্বা অসি মফম চাবা অমদা তৌই অদুদগী লৌবুক্তা লিংথোকপগী থবক অসিনা এপ্রিলদগী মে থা ফাওবগী মনুংদা তৌই। করিগুম্বা মতমদা জুন থাদগী জুলাই থা ফাওবদা তৌবসু য়াওই। লৌহোনশিংদু লিংথোক্ত্রিঙৈদা ঈশিংদা থমদুনা চোৎহনগদৌবনি। লৌবুকশিংগী ঈশিং সেন্টিমিটর ১০ ওইহল্লি। তৌইগুম্বসুং লৌনা মপাল শাৎপা হৌরকপা মতম অমদি ফৌনা মুল্লকপা মতমদা কংহল্লি। ঈশিং কংহনবা মতমশিং অসিদা ঙাশিংনা কোম ওইনা তৌথদুনা থম্বা মফমশিংদা কুমথখিদুনা মতম খরা অমুক লেল্লি।

ঙা থাদবগী মতম অসি লৌ লিংখ্রবা মতুং থা অমা শুরকপা অদুৱাইদা হৌবা য়ারে। থাদগদৌরিবা ঙাগী চাওবগী চাংদি সেন্টিমিটর ৪০দগী ৫০ ফাওবা শাংবা ঙানা খ্বাইদগী চান্নে। ঙাশিং অসি য়োকপগী মতমসু চাওরাক্লা থা মঙারোম খকনি। মফম মতমগা চানবা ফৌ মখল অমদি ঙা মখল অদুমক শীজিন্নবীবা য়াই। অপাতানিগী ওইনদি মখোয়গী লমদমদা ফংবা ফৌ মখল শীজিন্নে। অদুগা ঙা মখলদি রৌ, কটলা, ম্রিগল, পুকলাওবীনচিংবা য়োকপীবা য়াই।

অপাতানি সিষ্টম ওফ ফার্মিংগী মতাংদা শুগাইনা থমজদ্রবসু মতাং অসিদা ঐনা থমজনীংবা ৱাফমদি ঐখোয়গী মণিপুরদসু মথক্তা পঙ্খ্রিবা থৌওং অসিগুম্না পাঙথোকপা য়াবা মফম কয়া লৈরি। মরম অদুনা থৱায় য়াওবা মীওইশিংনা পূক্নিং চিংশিনবীদুনা ঙা অমদি লৌউ-শিংউবগী পোখোক মরাং কায়না পুথোক্নবা হোৎনমিন্নরসি। মণিপুরগী চীংখোঙ কয়াদা খুদম ওইনা হায়রবদা উখ্রুলগী মফম কয়াদা অপাতানিগী থৌওং অসিগা মান্ননা অসুক্কী মতিক ফজনা লৌগা ঙাগা য়োকমিন্নবগী থৌওং অসি পায়খৎনরক্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।